# প্রনাব মুখর্জি ইন্দিয়াগী ১৩ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

# ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন ১সুং লো ঙাক্কনি

- *প্রনাব মুখর্জি*

*নিউ দিল্লি, জুলাই ২৫:* ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখিবা চিংলেন্লবা থৌওং অমদা প্রনাব মুখর্জি ভারতকী ১৩ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মুখর্জিনা প্রসিদেন্টকী ৱাশক লৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না থৱায় হকচাং য়াওনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অমসুং লো ঙাক শেনগনি। লৈবাকসিগী য়াইফন্নবা থবক তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রনাব মুখর্জিনা ঙসি ভারতকী ১৩ শুবা প্রসিদেন্ট অমা ওইনা চিফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া এসঐচ কপাদিয়ানা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি, প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, লোক সভা স্পিকর মৈরাকুমার, য়ুপিএগী চেয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধী, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, গভর্নরশিং অমসুং শক্লাইরবা দিগিনটরিশিংগী মমাংদা ৱাশক লৌখি। মুখর্জিনা ইংলিস ভাষন্দা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং লো ঙাক শেন্দুনা অমদি কায়হন্দনা থমগনি হায়না ৱাশক লৌখি। লোয়ননা মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইনা ওথ রেজিষ্টারদা শোয় তৌবগা গন সেল্যুট ২১ কাপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

প্রনাব মুখর্জিনা ভারতকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবা থৌরমদুগা মরী লৈননা হায়খিবদা, মঙোন্দা মীয়াম্না উৎপীরিবা ইকায়-খুম্নবা অসিনা মহাকপু নুংওলহল্লে। ওফিস অসি পায়রিবা মীওইনা লৈবাক অসিগী য়াইফন্নবা থবক তৌবদা লনাইগী নত্রগা কাঙলুপকী স্বার্থ থাদোক্তবা য়াদবগী ৱাফম লৈবা তারবসু মহাকপু অশুম্না থাক ৱাংনা ইকায়-খুম্নবা উৎনরি। ওফিস অসিগী ইহান হানবা মথৌদি ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনবু ঙাক-শেন্দুনা থম্না হায়বসিনি।

"মরম অসিনা ঐহাক্না ৱাশক লৌবদা ফোঙদোকখিবা অদুমক্তা চপ মান্ননা ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনবু চুম্নগী ৱাহৈখক্তদা নত্তনা মতিক-মঙমশিং অদুবুশু য়াওনা য়োকখৎতুনা, ঙাক-শেন্দুনা অমসুং অরানবা কয়াদগী ঙাকথোক্তুনা থম্নবা হোৎনগনি।

"তোঙান তোঙানবা পার্টি অমসুং লমদম কয়াদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক অসি ইমা লৈবাক অসিবু শেবা তৌবগী যজ্ঞদা শরুক য়ামিন্নরিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ফেন্দরেল কন্সটিট্যুসন অসিদা অনৌবা মতমগী ইন্দিয়া অমা পুথোক্নবা ৱাখল্লোন অসি য়াওরি, মসিনা শুপ্নগী ইন্দিয়াখক নত্তনা অনৌবা মতমগী মশক অদুবুসু তাক্লি। অনৌবা মতমগী লৈবাক অমা হায়বসি শাগৎপদা তঙায়ফন্দনা চঙদবা য়াদ্রবা মচাকশিং অদুদি: দেমোক্রেসি, নত্রগা নাগরিক পুম্নমক্কী চপ মান্নবা হক, সিক্যুলারিজম নত্রগা চৎনিংবা লাইনিং চৎপগী নিংতম্বা, পা পী খেন্নবা লৈতবা অমসুং পুম্নমক অসিদগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইনা অর্থনিতিগী থোং মান্নবা হায়রিবশিং অসিনি। ঐখোয়গী চাওখৎপা অসি ময়েক শেংহনসি হায়রবদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেন্না লায়রবশিংগী পুক্নিংদা মখোয়সু মচিন তুমখৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী ৱারীশিংবুলদা কয়াৎ অমা ওইনা য়াওরি হায়বসি খলহনবা তাই।

"বেঙ্গলগী অপিকপা খুঙ্গং অমগী মুৎশি মুৎশি ঙানবা পীক্লবা মৈরী মচা অমা ওইনা হৌরকখিবা ঐহাক্কী খোঙচৎ অসিনা দিল্লিগী তগুপ তরেং ঙাল্লবা লংলবা মৈঙাল মরক অসিদা য়ৌরকখিবগী খোঙচৎ মনুং অদুদা পাক চাউরবা, অঙকপগী মশক্লিহায়বমক য়ারবা অহোংবা কয়ামরুম উবা ফংখ্রে। চাক তাঙবগী থৌদোক অমনা মীওই মিল্লিয়ন কয়া হাৎখিবা বেঙ্গলগী তমথিরবা মতম অদুদা ঐহাক পুংকক চাউরক্লবা নুপামচা অমা ওইখি, মতম অদুদা থেংনখিবা থম্মোয় কায়নিংঙাইগী মশক ওইরবা অৱা-অনাশিং অদু ঙসিসু ঐগী থম্মোয় অসিদা হক্তুনা লৈরি। ঐখোয়না এগ্রিকলচর, ইন্দষ্ট্রি অমসুং সোসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মায়কৈদা ফন্না য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে, অদুবু পুম্নমক অসি লাক্কদৌরিবা তুংগী মীরোলশিংনা লুচিংদুনা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াদা শেমগৎ-শাগৎলক্কদৌরিবশিং অদুগা চাংদম্নরুরবদি করিসু নত্তে।

"লায়রবগী লায়থুং অসি কোকহন্নবা অমসুং অনৌবা মীরোলনা ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসিবু খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎপা ঙমহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিনা মহাত্মা গান্ধী, জৱাহরলাল নেহরু, সর্দার পটেল, রাজেন্দ্র প্রসাদ, অম্বেদকার অমসুং মৌলানা আজাদনচিংবা মীরোল অমনা খুদোল তম্বীরম্বা লাইবক্তা লাহ্হেংনবগী খোঙজঙ অদুদা মখা তানা চঙশিনগদবনি। চাবা ফংদবা হায়বসিদগী হেন্না পুক্নিং হন্থনিংঙাই অমসুং ৱানিংঙাই অতে অমা অমুক লৈত্রে। লায়রবশিংগী ফংফম থোক্লবা হকশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনবদা খুরক্তগী নাহ্বা মানবা থিওরিশিংনা চৎনবা য়ারোই। পুম্নমক অসিবু ঐখোয়না মখোঙদগী হৌনা শেমদোক্তুনা লায়রবা হায়বা ৱাহৈ অসি অনৌবা মতমগী ইন্দিয়াগী দিক্সনারিদগী মুখৎকদবনি।

"ঐখোয়বু ঙসি থাক অসি য়ৌহল্লক্লিবা মরম অদুমক্না ঐখোয়বু হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনবা ঙমগনি। ইন্দিয়াগী অশেংবা ইতিহাসতী মীয়ামগা খুৎশম্মনা চৎমিন্নবা হায়বসিনি। ঐখোয়গী লন-থুম পুম্নমক অসি লৌমী-শিন্মীশিং, ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট অমসুং সার্ভিস প্রোভাইদরশিং, লান্মী অমসুং সিভিলিয়ানশিং অসিনা পুথোকপা ঙাক্তনি। লাইশঙ, মোস্ক, চর্চ, গুরুদ্বারা অমসুং সাইনাগোগশিং অসিনা পুন্যগী মশক ওইনা পুন্না লৈমিন্নদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী মরা তপ্লবা মশক অদু উৎলি, মখোয়না ঐখোয়গী য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটিগী সিম্বলশিং ওইরি।

"শান্তি হায়বসি চাওখৎপগী ইহান হান্না চঙদবা য়াদবা মচাকনি। ইতিহাসতী ঈগী অঙাংবা মচুনা ইবা থেংনৈ, অদুবু চাওখৎপা অমসুং খুমাঙ চাওশিনবা হায়বসিদি শান্তি লৈরবা মতম অদুতদা ফংগদবা মমল য়াম্লবা মনা অমনি, শাফম-লানফমদগী ফংলকপা মনা-মথুমশিং অদুগুম্বা নত্তে। ২০ শুবা চহিচাগী অহানবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক অনিমক্না ঐখোয়গী ইফমদা মশা মশাগী ৱারী লিরি। সেকেন্দ ৱার্ল্ড ৱার লোইশিনখ্রবা মতুংদা ইয়ুরোপখক্তা নত্তনা মালেম পুম্বদা লোইলম-সাসন লোইশিনখিদুনা য়ুনাইটেদ নেসননচিংবা অচৌবা ইন্সটিট্যুসন কয়া লিংখৎনরকখি। লান্মী তেঙ্গোলশিংবু লানফমদা চঙশিন্নবা ওর্দর পীখিবা লুচিংবশিংনা লাল হায়বসি লানঙম-ফিরাল থেৎপগী মিংচৎ অদুবু লৈখা তানা চিংথবা তমথিরবা থৌওং অমনি হায়বসি ভাব তানরকপদগী মালেম অসিগী ৱাখল-নুংখলদা অহোংবা অমা পুরকখি। গান্ধীজিনা ঐখোয়গী ইফমদা মশামক্না খুদম ওইহন্দুনা নন-ভাইওলেন্সকী মপা লৈত্রবা শক্তিগী পাড়া অমা তম্বীখি। ইন্দিয়াগী ফিলোসোফিদি টেক্সবুকশিংদা য়াওবা থিওরিশিং অদু নত্তে। মসিনা মীওইবা জাতিবু খ্বাইদগী হেন্না মমল য়াম্না লৌরিবা ঐখোয়গী মীয়ামগী পুন্সি মহিংগা শাগোন্নদুনা লৈরি। হিংশা হায়বসি ঐখোয়গী মপাহোংগী ওইবা শক্তমনি, লান্দবা ঙমদবা মীওইবা কৌবনিনা ঐখোয়না অরানবা তৌরুরবসু পাপশিং অদু কোক্নবা প্রাইশ্চিট তৌনরি।

"অদুবু, শান্তিনা পুরক্লিবা অহোংবা মরক অসিদা শাফম-লানফমগী য়ুগ অদু পুরা হেক লোইশিনখিবমক্তি নত্রি। ঐখোয়না হৌজিক মরিশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ অমা থেংনরি, অহুমশুবা লাল অদুনা ইং ১৯৯০ গী মতমদা লোইশিনখিবা এসিয়া, আফ্রিকা অমসুং লেটিন আমেরিকাগী কোল্ড ৱার অদুনি। টেরোরিজমগী মায়োক্তা থেংনরিবা লাল অসিগা মরীশুবনি, মসিবু মালেমগী লাঞ্জাউ অমনি হায়বগী মরমদি শৈতানগী মশক ওইরবা মকোক অদু মালেম অসিগী মফম পুম্নমক্তা থিনগৎলকপা ঙম্বা অসিননি। ইন্দিয়াদি লানফম অসিদা মসিগী তমথিরবা শক্তি অদু অতৈনা কয়া খঙফাৎত্রিঙৈদগী হৌনা মুন্না খঙবদগী মাঙজিল থানা শরুক য়ারক্লি। ঐখোয়গী বোর্দরশিংদা অসিগুম্বা তমথিরবা লাল অসি থেংনরিবা আর্মদ ফোর্সশিং, লৈবাক মনুংগী য়েক্ন বশিংগা মায়োক্নরিবা থৌনা ফরবা পুলিসশিং অমসুং টেরোরিষ্টশিংবু লাং থাক্তুনা ফারগা অকিবা লৈতনা হিংলিবা মীয়ামগী থৌনা লিংজেল অদুগীদমক্তা ঐহাক্না চাউথোকচবা পোকই।

"ইন্দিয়াগী প্রজাশিং অসি অৱাবা কয়াগা মায়োক্নুরক্লবনি। হিংশা থোকহন্নবা অমসুং অমগা অমগা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা ৱাফম অমখক খঙগদবনি। মিনট খরদংগী শান্তিনা চহী কয়া চুপ্না লাহ্হেংনবদগী য়াম্না হেন্না কান্নবা ফংহনগনি। ইন্দিয়াদি মরোমদোম হিংবা ঙমদুনা চাওখৎপগী অৱাংবা থাক্তা কাখৎনবা হোৎনরক্লবনি। মাঙ তাক্লিংঙাইগী মশক ওইরবা টেররগী থবক তৌবশিংনা লৈবাক অসিবু মশাগী খোঙজং অসিদগী কৈদৌনুংদসু লম্ফেনহনবা ঙম্রোই।

"ইন্দিয়ান অমা ওইনা ঐখোয়না হৌখিবা পাড়া কয়া তমশিনবা তাই, অদুবু ঐখোয়গী মীৎয়েংদি তুংগী অশানবা পান্দমদা য়ুম্ফম ওইগদবনি। ঐগী ৱাখলদা, এদুকেসন হায়বসি ইন্দিয়াগী মথংগী সনাগী য়ুগ অদু পুরকপা ঙমগদবা মচল অমনি হায়না খল্লি। ঐখোয়গী লিরবা বেদ-শাস্ত্রশিংদা খুন্নাই হায়বসি লৌশিংনা য়ুম্বী ওইদুনা য়ুম্ফম থোল্লম্মী, ঐখোয়না মায়োক্নরিবা শিংনবদি লৌশিং হায়বসিবু লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোক্তুনা দেমোক্রেটিক ফোর্স অমা ওইহনবা হায়বসিনি।

"ঐহাক্না, মান্নবা পান্দম্না লৈবাকপু কান্নহনগদবা, অফবা লৈঙাক্কী অপুনবা মীৎয়েংদা য়ুম্ফম ওইবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনিনা খুৎশম্মনা চৎমিন্নবা, অশং অমানগী রিভোল্যুসন লৈবা, দেমোক্রেসি হায়বসি চহি মঙাগী মনুংদা ভোট থাদবগী হক লৈবা অদু নত্তবা, মতম পুম্বদা নাগরিকশিংগী শ্বার্থদা লেপ্পা, লৌশিংনা লম্বেল তাকপা, নহারোলশিংনা মখোয়গী অঙকপগী মশক ওইরবা শক্তি অমসু হৈ-শিংবশিং অদু লৈবাক্কী থবক্তা শীজিন্নবা ইন্দিয়া অমা ওইহন্নবা আশা তৌজরি।

"স্বামি বীবেকানন্দনা মহাক্কী ফজরবা ৱাহৈদা হায়রম্বগুম, ইন্দিয়ানা তোংশাগী শক্তিনা চাওখৎপা তৌরোই, মদুগী মহুৎতা মশাগী মতিক-মগুন্না চাওখৎকনি, য়ৈখাই-থুগাইবগী পজেং ফিরাল থেৎপা তৌদনা নুংশিনবগী য়ুম্ফমদা লৈবাক অসিনা চাওখৎপগী কৈরাক্তা কাগনি। চাওখৎপা পাম্বা শক্তি পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা কুচশংবা, ঙাংবা থিদনা নুংশি-চান্নবগী মচু ওইরিবা অঙৌবা মচু অসি পুথোক্নবা হোৎনরসি। ঐখোয়গীদি ইশাগী ইথৌ পাঙথোকপা হায়বসিতনা মরুনি। মদুগী ফংফম থোকপা মহয় অদুদি মথন্তা লাকচগদবনি হায়খি।